**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-02-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৩-০২-২০২৬, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-মণিপুরদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি।

২) বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ঙসিদগী হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশতা ঙরাং মিরট মেত্রো অমসুং নমো ভারত রেলগারি লমথাখ্রে।

----

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নিউ দেল্লিদা লৈবা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগী য়ুমদা চত্তুনা উনখ্রে। উনবা অদুদা, উপ-মুখ্য মন্ত্রি অনি-লোসি দিখো অমসুং নেমচা কিপগেনসু শরুক য়াখি। মখোয়না মণিপুরদা কাংলুপ মশেলগী

মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবশিং কোকহন্দুনা নুংশি চান্নবগী মরী ফগৎহন্নবা অনৌবা সরকার অসিনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি। মণিপুরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং শোইদনা পাংগনি হায়বগী থাজবসু গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিংদা পীরকখি। মণিপুরবু হেন্না চাউখৎহন্নবা অমদি দরকার লৈবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদসু পাংবা য়াবা মতেংশিং শোইদনা পাংগনি হায়নসু গৃহ মন্ত্রিনা থাজবা পীরকখি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপদা অখন্নবা মীৎয়েং চংননবসু শ্রী শাহনা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউতাক পীখি।

**ইগজাম (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ঙসিদগী হৌরগনি।

পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৭২৫ না পরিক্ষা অসিদা শরুক য়াগনি। মসিদা সরকারগী স্কুলশিংদগী মহৈরোই লিশিং ৮,১৯১, এদেদ স্কুলশিংদগী মহৈরোই লিশিং ১,৪৯৮ অমসুং লন্নাই স্কুলশিংদগী মহৈরোই লিশিং ২৭,০৩৬ য়াওরি। অপুনবা পরিক্ষা সেন্টর ১৬১ গী মনুংদা তম্পাক্কী সেন্টর ১০০ অমসুং চীংগী সেন্টর ৬১ য়াওরি।

পরিক্ষা অসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-নখোয় পুমমকা হোৎনজবশিং মহৈ য়ান্দুনা লাইবক ফবা মহৈরোই অমমম ওইরসনু।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা বোর্ডকী পরিক্ষা অসি থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়-মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা থাবা মতমদা মশানা মশাবু থাজবা থম্বগা লোয়ননা নখোয়না ঙমজবী থাক্তা থৱাই য়াওনা হোৎনদুনা পরিক্ষা মাই

পাকবা হোৎনগবনি।

পরিক্ষা অসিগী য়েংলগা জিলা জিলাশিংগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিসত্রেটশিংনা চেরোলশিং থোক্তুনা পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা চেকশিল থৌরাংশিং লৌখৎলে। চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিসত্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা অসিগী মনুংদা তারিবা পরিক্ষা সেন্তরশিংগী ফুট ১০০গী অকোইবদা পরিক্ষাগা মরী লৈনবশিং নত্তনা মীচম মীয়ামা চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্লে।

**উনবা (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নিউ দেল্লিগী সর্দার পতেল মার্কতা লৈবা মণিপুর ভবনদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি অনি- লোসি দিখো অমসুং নেমচা কিপগেনগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফম অদুগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীফম অদুনা মণিপুরদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম হৣঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদসু মীফম অদুনা হন্না য়েংশিনখি। মসিগী মথক্তা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদসু মখোয়না খন্নখি। অনৌবা সরকার অসিনা পাঙথোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবা থবকশিং- তংদু লৈতাবা অমদি অমত্তা ওইনা পুন্না চাউখৎমিন্নবা পুরকবা দরকার লৈবা থবকশিং খোঙজেল য়াংনা পায়খৎকনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি।

**এআর(এল)ঃ** নিউ দেল্লিগী মণিপুর ভবনদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনরেল, লেফটনেন্ট জেনরেল বিকাশ লখেরাগা উনদুনা মণিপুরদা অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱারি শান্নখ্রে। উনবা অদুদা, লেফটনেন্ট জেনরেল লখেরানা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লিরবা পেরামিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা অসাম রাইফলসনা রাজ্য

অসিগা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিং ঙাকশেলবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মরিক চুমা পাউদমখি। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা য়োরবুং খুনৌদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌবাল জিলাগী লিলোং থরাউরোক্তগী মীওই অমা মশাগী য়ুমদগী কোদেন ফোসফেট সিরপ বোট্টল ৭৩০ গা কোন্ননা ফারে।

**বাফতা ২০২৬ (এল)ঃ** লন্দনগী রোয়েল ফেষ্টিভেল হোলদা হৌখিবা অহিংদা পাঙথোকখিবা বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ তেলিভিজন আর্টস (বাফতা) ২০২৬কী মনা লাউথোকপগী থৌরমদা মণিপুরী ফিল্ম ‘বুং’- বেষ্ট চিলদ্রেন এন্দ ফেমিলি ফিল্ম এৱার্দ ফংলক্লে। লক্সমিপিয়ারি দেবীনা দাইরেক্সন পীবা, পুং ১ মখায়রোম শাংবা বুং ফিল্ম অসি ইন্দিয়াগী ওইনসু বাফতাগী চিলদ্রেন এন্দ ফেমিলি কেতোগোরিদা মনা ফংবা অহানবা ফিল্ম ওইরে। লেমজনিংঙাই ওইরবা বাফতা এৱার্দ লৌবগী থৌরমদা বুং ফিল্মগী স্ক্রিন রাইতরসু ওইরিবী লক্সমিপিয়ারি দেবীনা, মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা মহাক্কী মাইকৈদগী ইশ্বরগী মফমদা প্রথনা তৌজরি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উট্টর প্রদেশকী মিরটতা লৈবা সতাব্দি নাগর নমো ভারত স্তেসনদগী ঙরাং মিরট মেত্রো অমসুং নমো ভারত রেলগারি লমথাখ্রে। শ্রী মোদিনা মিরট সাউথ স্তেসন ফাওবা মেত্রো তোংদুনা পেসেঞ্জরশিং

অমদি মহৈরোইশিংগা ৱারি শান্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা কিলোমিতর ৮২ শাংবা দেল্লি-মিরট নমো ভারত কোরিদোরসু শঙ্গাখি। পুংদা কিলোমিতর ১৮০ য়াংনা থৌবা য়াবা নমো ভারত অসি লৈবাক অসিগী অহানবা রিজনেল রেপিদ ত্রানজিট সিসতেমনি। মসিনা দেল্লিগা অতৈ অচৌবা অর্বান সেন্তরশিং- সহীববাদ, গজিয়াবাদ, মোদিনাগর অমসুং মিরটকগী মরক্তা থুনা য়াংনা চথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চিফ মিনিষ্টর খেমচান্দ অমিত শাহগা উনখ্রে, মহাক্কী কেবিনেট চাউথোকপগী ৱাফম লৈখাই তাবা ঙমদ্রি হায়না- পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- দেল্লিদগী সি.এম হল্লকপগা অথুবদা লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি চাউথোরক্লগনি থাজৈ হায়বা এম.এল.এ অরুনকুমারগী ৱাফমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মহৈরোই লিশিং ৩৬ হেনবনা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থাগদৌরি, অরানবা পান্বে শিজিন্নবদা চহী ১০ জেল, ক্রোর অমা ফাইন হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ষ্টেট কম্পিতিতিভ স্কোলরশিপ এগজাম মহৈরোই লিশিং ৭ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না- নহারোল থৌদাংগী এক্কর কলমদা ফোঙলি।

মণিপুরী লোল করিগীদমক ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুএজ ওইহনবা ঙমদ্রিবনো

হায়বদু থিদোক্কদবনি হায়বা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভি.সিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম পাউচেদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কেরলাগী চাউখৎ থৌরাংশিং য়েংলুনবা মণিপুরগী পাউমী কাংবু অমা চৎখিবগী পাউ অমা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

গভর্ণরস পোলো ক্লব হৌদোকপগী মেটচতা ব্লেক ৱাটচনা থোইখিবগী পাউ- মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

দিপ্যুতি সি.এম লোসি দিখো অমদি এম.এল.এ লেটপাউ হাউকিপনা ভালতে লৈখিদবগী নুঙাইতবা ফোঙদোকপা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

কেম্পেইন ফোর জদস এন্দ ফেয়র দিলিমিতেসননা এন.আর.সি চৎনহন্নবা দাবী তৌবগী পাউ অমা- পিপলস ক্রোনিকলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমদি দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা মণিপুরদা লৈরিবা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**পাউ লোইজরে--**